


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JUNE 17, 2018 **PAGE 7**




*জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা পাঙথোকপা য়ুরো ৬৫৬,০১৫ গী শেলগী মনা লৈবা মার্সিদিজ কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা নম্বর ৱান সিদেদ স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর (ওই) অমসুং ৭শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিক*

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া

## ফ্রান্সনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঙ্জল ২–১ দা থোইখ্রে, আর্জেন্টিনা অমসুং আইসলেন্দ দ্রো চৎখ্রে, দেনমার্কনা পেরু থোইখ্রে

*মোস্কো, জুন ১৬ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফ্রান্সনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঙ্জল ২–১ দা থোইখ্রে, আর্জেন্টিনা অমসুং আইসলেন্দ পাঙ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে অদুগা দেনমার্কনা পেরুবু পাঙ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি'গী অহানবা লীগ মেটচ অমদা ফ্রান্সনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঙ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। ফ্রান্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেটচ অদু অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা অদুদা য়াম্না লম্বা মান্নরনা শান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ গী মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঙ্জল চনশিন্ননবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু হাল্ফ অদু লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঙ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঙ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা খুদোংচাবা য়েংনখি।

শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুনা পেনাল্টি অমা ফংখি। পাঙ্জল শোয়দনা ওইবগী খুদোং চাবা লৈরবা কিক অদু টিম অদুগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঙ্জল ওন্থোক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঙ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঙ্জল অমা শোখরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

পেনাল্টি কিক অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই মাইকেল জোন জেদিনাকনা কাউশিনবদা পাঙ্জল ওইদুনা টিম অনীমক পাঙ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

ফ্রান্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী মেটচ অদুদা পাঙ্জল ১–১ দা মান্নরবা মতুং মখা তানা এটেক তৌদুনা অহেনবা পাঙ্জল থিন্নরকখি। মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পোল পোগবানা য়াম্না ফজবা পাঙ্জল অমা চন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঙ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৯ লোমগী মতম অদুদা নাকল অনীদগী অহেনবা পাঙ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ফ্রান্সনা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঙ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অহানবা মেটচতা আর্জেন্টিনা অমসুং আইসলেন্দ পাঙ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

আর্জেন্টিনা অমসুং আইসলেন্দগী মেটচ অদা য়াম্না নুংঙাইরবা মেটচ অমা ওইখি। মেটচ হেক হৌবদগী হৌনা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা পাঙ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদা শান্নরিবা সর্জিও এগুইরোনা পাঙ্জল অমা চনশিন্দুনা আইসলেন্দবু য়াম্না ঙন্না ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঙ্জল অমা শোখরবা আইসলেন্দগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা অলফ্রিও ফিনবোগাসননা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ২২ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঙ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাদুনা লৈখি।

আর্জেন্টিনা অমসুং আইসলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ অদু হেক হৌরকপদগী মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঙ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা এটেক তৌনবা হৌরকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী মখা তাবা পাঙ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী মেটচ অদু পাঙ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী মেটচ অমদা দেনমার্কনা পেরুবু পাঙ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

দেনমার্ক অমসুং পেরুনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না অকনবা লম্বা ওইখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফ অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঙ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈনখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা পেরুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা খৃষ্টিয়ান কিভানা কাওশিনবদা পাঙ্জল ওইবা ঙমখিদে।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা দেনমার্ককী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা য়োসুফ পোলসেননা পাঙ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচকী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবা লৈখিবদগী মেটচ অদু দেনমার্কনা পেরুবু পাঙ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী মেটচ অমদা পোর্টুগাল অমসুং স্পেন পাঙ্জল ৩–৩ চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুগী পোর্টুগালগী পাঙ্জল অহুম অদু টিম অদুগী কেপ্টেন কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা চনখিবনি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা পোর্টুগালনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা রোনাল্ডোনা পাঙ্জল অমা চন্দুনা স্পেনবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্টেন দিএগো কোষ্টানা পাঙ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঙ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা পোরটুগালগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কেপ্টেন কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঙ্জল অমগা চনশিন্দুনা স্পেনবু ২–১ দা হেল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঙ্জল চনখিবা দিএগো কোষ্টানা পাঙ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

ইকুই কুইদনা শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা জোস নাচোনা পাঙ্জল অমা চনশিন্দুনা পোরটুগালবু ৩–২ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম কুইনা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঙ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা পোরটুগালগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা য়াম্না ফজবা পাঙ্জল অমা চল্লবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা মখা তাবা পাঙ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পাঙ্জল ৩–৩ দা দ্রো চৎখি।




*ফ্রান্সকী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঙ্জল চনখিবা পোল পোগবাবু টিমমেটশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকপা*



*দেনমার্ককী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঙ্জল চনখিবা য়োসুফ পোলসেননা হরাওবা ফোঙদোকপা*



*আর্জেন্টিনা অমসুং আইসলেন্দগী শান্নরোই অনীনা বোল মুন্নবা*



*স্পেনগী মায়োক্তা হেটট্রিক পাঙ্জল চনখিবা পোর্টুগালগী রোনাল্ডো*

| MATCH ON 17-06-2018 | |
|---|---|
| **Group D** | |
| Croatia vs Nigeria | 12:30am |
| **Group E** | |
| Brazil vs Switzerland | 11:30pm |
| Costa Rica vs Serbia | 05:30pm |
| **Group F** | |
| Germany vs Mexico | 08:30pm |

## ইন্দিয়ানা স্পেনবু পাঙ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী হোক্কি সেরিজ মেটচ অমমম থোইনদুনা মান্নখ্রে

*মাদ্রিদ, জুন ১৬ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং স্পেননা শান্নরিবা মেটচ ৫ গী হোক্কি সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু স্পেনবু পাঙ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নরনা লৈখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি হোক্কি সেরিজ অসিগী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু স্পেননা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিং অদুবু পাঙ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখিবনি। অদুগা অনীশুবা মেটচ অদুদনা টিম অনীমক পাঙ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখিদুনা স্পেননা অদুমক মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়া অমসুং স্পেননা শান্নখিবা মেটচ ৫ গী সেরিজ অদুগী অহুমশুবা মেটচ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী অহুমশুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই মারিয়া লোপেজনা পাঙ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা ক্বার্টর অদুগী লেমহৌবা মিনট ১২ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঙ্জল চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপদসু য়াম্না লম্বা মান্নখি। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকখিবদগী পাঙ্জল ওইহৌখিদে।

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা পাঙ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু স্পেনগী গোলকিপর গার্সিয়ানা ঙাকথোকখিবদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা তাঙ্গা অমা মাঙজখি।

পাঙ্জল অমা শোখদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা টিম অদুগী শান্নরোই গুরজিত কোরনা পাঙ্জল ওন্থোক্তুনা শোখরম্বা পাঙ্জল অদু হন্দোক্তুনা পাঙ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিং অদুনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা ষ্ট্রাইকর লালরেমসিয়ামীনা পাঙ্জল ওন্থোক্তুনা য়ুম্বু টিম অদুবু ইন্দিয়ানা পাঙ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভন্দনা কটারিয়ানা পাঙ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখিবদগী পাঙ্জল হেন্না মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইন্দিয়ানা মাঙজখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঙ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা টিম অদুগী শান্নরোই লোলা রিয়েরানা পাঙ্জল ওন্থোক্তুনা টিম অনীমক পাঙ্জল ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঙ্জল মান্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিগী কেপ্টেন রানি রামপালনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঙ্জল অমগা চনশিন্দুনা য়ুম্বু লৈবাক স্পেনবু পাঙ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ অসিদা মেটচ ১–১ মান্নদুনা লৈখি। টিম অনীগী মরিশুবা মেটচ হয়েং অঙনবদা শান্নরগনি।



## ফেদরর অমসুং রাউনিক মার্সিদিজ কপগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

*ষ্টুটগার্ট, জুন ১৬ঃ*

জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা শান্নরিবা য়ুরো ৬৫৬,০১৫ গী শেলগী মনা লৈবা মার্সিদিজ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং কানাদাগী মিলোস রাউনিক লম্বা তৌনরগনি।

অহানবা সিদেদ শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রিয়াগী নিক কিরগিওসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(২–৭), ৬–২, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা ৭শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিক্না ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মার্সিদিজ কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা জর্মনিগী পেয়র পি পেটজস্কেনর অমসুং টি পুটজনা স্বিদেনগী আর লিন্দষ্টেদ অমসুং পোলেন্দগী এম মাটকোস্কি লম্বা তৌনরগনি।

স্বিদেন অমসুং পোলেন্দগী পেয়র অদুনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা হঙ্গেরিগী ফুকসোভিস অমসুং জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভপু মায়থিবা পীরম্বনি।

## ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী মার্ক কালজোগা লম্বা তৌনরগনি

*ফুল্লরটোন, জুন ১৬ঃ*

য়ুএসএগী ষ্টেট কার্লিফোরনিয়াদা লৈবা কার্লিফোরনিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নরিবা য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম অমসুং নেদরলেন্দসকী মার্ক কালজো লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই অজয় জয়ারামনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরক্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী জয়ারামনা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অদুবু ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা অনীশুবা গেম অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিবু য়াম্না কোম্না ২১–১২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা নেদরলেন্দসকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ মার্ক কালজোনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কানাদাগী সেং জিয়াদোংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না ২১–৬, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্বা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী লি দোং কিয়ুন অমসুং থাইলেন্দগী খোশিত ফেটপ্রাবাদ লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী লি দোং কিয়ুননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী শান্নরোই কান্টাফোন ৱাংচারোনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরেমাদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই থাইলেন্দগী খোশিত ফেটপ্রাবাদনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী লু গুৱানজুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৬, ১২–২১, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাংনা থাইলেন্দগী পি চোচুৱোংবু ২১–১৮, ২২–২৪, ২১–১৯ দা থোইদুনা থাইলেন্দগী ওংবামরুংফানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–৭, ২১–১০ দা থোইরম্বা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী অয়া ওহোরিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী মিসেল লি অমসুং চাইনাগী লি জুরুই লম্বা তৌনরগনি।

